

থম্মোয় পাউদম **হুইয়েন ইন্দু**

কোভিদ হোস্পিটাল- ফমুংদগী

কুইরে-ৱাহৈগো ৱাখলগা শন্নখিদবা। ৱাখলবু ৱাহৈ ওন্থোক্লবা অমত্তা ঙাযরবা পান্বে ওইরিবা 'কলম'- ঙসিতনি পায়খৎলিবা। অদুসু অনা-লায়েংশঙ, হোস্পিটাল অমগী ফমুংদগী। নুমীৎ মঙা-তরুকনি, য়ুমদগী নায়তোম কাদুদা কনাগসু উন্নদনা, মাঙ্গোন ফাওবা থোক্তনা লৈরিঙৈদুদবু মহীক্তু পুরগা ঈনাক্তুদা লাক্লম্বদু কনানো'সু খঙহৌদ্রে। ফনা ফজনা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎলগা লৈ খনজবনি। পুন্সিসি তম্বা ঙমদে, ঐনা অপান্বা মওংদা শীল্লুবা য়াদে হায়নরল্লিবদু 'সিননি।

মমাঙ চহীদা য়ৌরকখ্রবা, মীশি-মীনাসু থোকহনখ্রবা মালেমগী লাইচৎ অসিগী অনৌবা শক্লোন অমা থোরল্লগনি, মসিনা হেন্না তমথীরক্লনি- হায়বসি লমদমসিগী মী অয়াম্বনা তানা তানা তাখিদবা, খঙনা খঙনা খনখিদবগী মমি অমদি ময়েক শেংনা তারিবসি পুন্নমক্লা উবীরমগনি। সোসল মীদিয়াগী মতেংদগী তাখিবা/উখিবা তাহৈদবা/উহৈদবা পাউ ময়াম, রিতায়রী-এসোসিএসনগী মেম্বরশিং মথং মথং কোভিদনা পুরগা চৎখিবা... মণিপুরগী মশক নাইরবা, মশা-মউ ফরিবা, এক্টিভ ওইরিবা, নক্লরম্বা-চান্নরম্বা মরূপ-মপাঙ-ঈথক-থোংবা-ইখা থাবা কয়া অমসু হিংথৎ থৎলগা পুখিবা... অতোপ্পা কয়া অমসু হোস্পিটালশিংদা লায়কন্নবগী পাউ... পুন্নমক্তুনসু ঐগী পূক্লিং-ৱাখল অনীগী শন্নফম মাঙশিল্লকপগুম তৌরকখি। অমম্বগী অমম্বঙাক। তত্তনা চেক তৌরিবা বোদি টেম্পরেচর'না ৯৯-১০০°F য়ৌরকপদা তেন্সন অমা। অহিং তুম্বা য়ারক্তবা, চানিং-থক্লিংবা পোল্লক্তবা, চীনবানসিদা থেংলুবা খূদিং হূগী মশক ওইরকপা, চাক চখোম অমগীদমক মমাগা নিংঙাই শংদানরকপা... পাঙ্গল ময়েং তারকখি। অয়ুক য়াহৌরকপদা ঈচানুপানা ঙমদুনা রাজ মেদিসিটিদা ঐবু পুখৎতুনা কোভিদ টেষ্ট তৌথোক্লে, থোরাক্স সি টি স্কেন অমগা লৌথোক্লে। অয়ুক পুং ১১ রোম তাবদদি খঙলে- ঐহাক কোভিদ পোজিটিভ ওইরল্লে, লংসতুদি চাদা তরাগুম্বগী চাংদা শোকচিল্লম্বতা ঙায়রল্লি। মাঙদা ওপসন অনীনি- হিদাক লাংথক চারগা য়ুমদা মপান থোক্তনা ইরন্নাই নায়তোম লায়েংজবা, নৎত্রগা খুদক্তা হোস্পিটালাইজ তৌদুনা লায়েংবা। নুমীৎ খরনিগী এক্সপরিয়েন্স, অমদি শোকচিল্লবা হকচাংগী ফীভমদু য়েংলগা অহানবা ওপসন' অদু ঈচানুপানা রিজেক্ট তৌখি। কোভিদ জেনরেল ৱার্দ'তুদা বেদ অমা ফংবদগী লৈথহৌবা তাখি। ইঞ্জেক্সন অমা কাপ্লগা ঙাইহাক হীপ্তুনা লৈরিঙৈ, ঈচানুপানা য়ুমদা হনখ্রিবদুগী মরম খঙই ঐ। হোস্পিটাল-ফোর্মেলিটি অমদি সিক্যুরিটি-দিপোজিৎ অদুগীনি। কদায়দগী কমদৌনা? পান্বে লৈরোই খঙখি ঐ।... 'ইবুংঙো, হীদাক খরা চারগা হোম আইসোলেসন তৌরগা মরাইনা ফজখিনি... হীদাক কাপ্পসি লোইরগা য়ুমদা হল্লসি লাকও... কোয়চেন চেন- হোৎনরুরনু'...। 'ববা! দেত-স মাই জে াব... পৈশাগীদমক ববানা লাংতক্লবদু থাদোকপীয়ু- পুন্সিনা হেন্না মরূনি'...। ৱাহৈ মখা তাখিদ্রবসু ইমোসনদুদি লোৎশিনবা ঙমখিদে। তৌফম থোকপা পুন্নমক লোইরগা, মরিশুবা মথোলদা লৈরিবা কোভিদ- জেনরেল-মেল-ৱার্দ অদুদা ঐবু আর্মদ-চেয়র অমদা ফমহল্লগা ইনশিল্লকপদু নুংথিলগী পুং অনী/অনী মখায়মুক তারল্লগনি। মশীংমক্তি অমমম ওইনা থীহৌদ্রে। ঐনা লৈরিবদু তরানিথোইশুবা ফমুংনি। পুন্না কুল্লামুক শুরমগনি। মচীন্দা ওক্সিজেন-মাস্ক অমমম- বোল অকান্বীদৌনা পোমথোল্লবা ওক্সিজেন য়াওবা অঙৌবা খাউ অমনা চীনবান-য়োমশিনবসু য়াওই। উবদা ইথন্তা শ্বাই লাউখি- ঐসু অসুন্না থমদৌরিবরা? নর্স'না ফমুং ফানুং শেম্বা লোইরদুনা চনিং তানা ফমথরবা মতুংদুদা 'অখঙবা কনা য়াওরিবজাৎনো' য়েংনিংলক্তুনা অমুক্তং লৈনা য়েংলুববু ঐবু খঙবা মীওই অনী য়াওরম্মী। মখোয়দি খরা ফগাৎলল্লবনি। আইদিয়া অমত্তা সেয়র তৌবা ওইরবসু, ৱারী অমা শারবসু তত্থবা হায়বদুদি ওইররোইদনা! ৱাখলদুগীনি নুংঙাইরুবা। অকোয়বদা লৈরিবা, তোঙান তোঙানবা থাক্তা লৈরিবা অনাবশিংদুগী মওং-মতৌ ইথৌ ইরে লৈতনা ৱাখলনা লামশিন্দুনা নৈনরুই- ঐসু মখোয়গুম সিরিয়স ওইবা অনাবা অমা হায়বদু ওইরক্রদ্রা? সোর-হোনবা ৱাবা/ ওক্সিমিটরনা ওনবা ওক্সিজেনগী চাং অদু পলস-রেত (মিহুনগী চাং) অদুমক্তি ঐঙোন্দা থোইনা কায়দবনি। অমবু ওইরে, অমবু ওইরে প্রোটেক্টিভ পর্সোনেল ইক্বিপমেন্ট কিট উপ্পা নর্স তরুক তরেৎ অদুনা কোয়শেন শেন্নখিবদগী, অনাবশিংদু য়েংশিনবীদ্রবা অনাবা হায়বদু কনামত্তদি ওইখিদ্রে। ভাইরেল ওইরবা সরকারগী হোস্পিটাল অমগী লৈমায়দা হীপ্লিবা অনাবশিংগী ফীভমদুগা ইশাগা চাংদম্নদুনসু য়েংলুরি। হোস্পিটালসিদা পুখৎলক্লিঙৈ, লাঙ্গৌই চনখ্রবা ৱাখলসিনদি ফীভম শোক্লা তাইবংপান থাদোকখ্রবা মরূপ-মপাংশিংদুগী শক্তমশিংদু নীংশিংহল্লক্লনু য়াদে। কনানা পীবা পাউনো খঙদে 'গেৎ ৱেল সুন' হায়না অতেনবা পাউজেল থারকপদুফাওবা পানীংখিদে। ঈচানা 'চিক্কন-সূপ' শেমদুনা পীরকপদু হন্না ফাওবা য়েংনীংখিদে। য়েংবা য়ারল্লরোইদবা শক্তমদু সাপোন নোইদুনা হাইফেৎ চামথোক্লে হায়বা ৱাখলদুফাও পোকখিদে। কয়াদা পেসিমিষ্টিক ওইরমখ্রবা ৱাখলনো!

ফমুংদা হেক সেত্তল তৌদুনা হীপথখিবদুদগী লেপ্তুনা কাপ্লকখিবা ইনত্রাভেনস-ইনজেক্সন ময়ামদুগী মহয় ফংবা হৌরকপা, মাঙখ্রবা ইনর্জি হনজিল্লকপা, পোথাফম খঙদ্রবা ৱাখলদুগী পোথাফম অমা ফংলকপা, অহিং অনী তুম্লুদ্রবা কোক অসি তুম্নিংবনা লুমথরকপা মতমদুদা, মনিং থংবা মায়কৈদা পোথাফম খঙদা' লাউ-খোংলিবা অহলদুগী খোঞ্জেল হৌবা হেনগৎলকখি। নুমীৎ মরী-মঙানিগী মমাঙদা পুখৎলকখিবনি হায়। চহী মরিফুরোম শুরল্লগনি। থংনবদা লৈরিবা অনাবদুনা হায়বনি- অহলদু ফজনা পীজ-পীথক তৌরল্লবদি অদুম কন্না লৈরমগদবনি... মচা-মশুশিংনদি ঐখোয় পাবুংসি 'রাজ মেদিসিটিদা য়াম্না নুংঙাইনা লৈখ্রে' হায়না তল্লকই হায়। ঐনা নুংথিল লাকপদা 'আহ!.. আহ!' ... হায়রম্বদুদগী ... 'দাক্তর !... অমুক্তা লাউ' হায়বা ৱাহৈসি নত্তনা অতোপ্পা অমা হায়খিদ্রে। নর্স অনী অহুম চঙদুনা মাগী অনীংবা অপাম্বদু নীংবা থুংনা সেবা তৌবীরুনি, মনাতোনদা মহী মনাই খরা হৈজিনবীরল্লগা ঈংনা চিক্লা পোথাখিনি।

মথংগী অয়ুক অঙনবদগী অমুক... 'দাক্তর !... দাক্তর !... অমুক্তা লাউ... 'দাক্তর ! অম'তা লাও !' হায়বা ৱাহৈসি নত্তনা অতোপ্পা অমা হায়রক্লোই। মহাকখক্তং লাক্লনরগা অতোপ্পা অনাবশিংদুবু হুন্দোক্তুনা থম্বা য়াদবনা, নর্সশিংদু মীনুংশি খঙদবী ওইনা উরম্বসু য়ারিবনি, ঐসু তাবা ঙল্লক্তবা মতাঙ য়াওরকখি... 'ঐগী ঈপা ওইরল্লবনি'।

নুমীৎ হুন্নীগী তুং, ঐগী হকচাং থাজদনা কনখৎলকখি। চাবা-থকপা য়ারকখি, মহাও-মনম খঙলকখি। মায়-মীৎ তাথোক্লগা, অয়ুক্তুদা নীংথিনা ঈরুজথোক্লগা মপান থোক্লকপদা অহলদুগী ফমুং, ইহাঙ হাঙনা লৈরমখি। খল্লুবনি- তুন্নিমাল্লে।

'তাদ ! অহলদু পুথখ্রবরা'?

'নোংঙাল্লমদাই পুং অহুমফাওবা কন্না লাক্লহৌবনি, খঙহৌদ্রে'।

'আই সী য়ুদা পুশিনগনি হায়দুনা পুথখিবনি', থংনবইদুনা খুল্লকই।

'কদায়দগী তামো! পুথখিবদা মরোল লোনখিদ্রবনি', বেদ নম্বর ১৭কী অনাবদুনা হায়রকখি। ঐ মখা তানা থিগৎলুদ্রে।

লৌশিং পুক্কে

ব্লেক ফঙ্গস পাক শন্না নারকহনবদা

জিঙ্ক অমসুং এন্টিবাইওটিক হেন্না শীজিন্নবনা লৌরিবা থৌদাং

কোরোনাভাইরস লায়েংলিঙৈ মনুংদা জিঙ্ক অমসুং এন্টিবাইওটিক হেন্না শীজিন্নখিবনা ব্লেক ফঙ্গস পাক শন্না নারকহনবদা লৌরিবা থৌদাংগী মতাংদা এক্সপার্টশিংনা মীয়ামদা চেকশিনৱা থল্লক্লি।

ইন্দিয়ানা কোভিদ-১৯গী লেপ্তুনা মশিং য়ামখৎলক্লিবা কেস মরক্তা লেঙ ওৎপা ঙমদনা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা ব্লেক ফঙ্গস হায়নসু খঙনবা ম্যুকোরমাইকোসিস কৌবা তমথিরবা ফঙ্গেল ইনফেক্সন অমনা লৈবাক অসিদা হকশেলগী ওইবা অনৌবা শীঙনবা অমগা অমুক হাপকৎলক্লি। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী ব্লেক ফঙ্গেল ইনফেক্সননগী কেস ১১,০০০ হেন্না রিপোর্ট তৌরকখিবনা মরম ওইরগা ষ্টেট কয়াদা ইনফেক্সন অসিবু এপিদেমিক ওইনা লাউথোকখ্রে। কোরোনাভাইরসকী অনীশুবা ৱেভ মনুংদা মায়োক্লরক্লিবা অতাঙবা মখলগী ফঙ্গেল ইনফেক্সন অসি কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংদা ষ্টেরোইদ কা হেন্না শীজিন্নবা অমদি কন্ট্রোল তৌদবা দাইবেটিস লৈবগা মরী লৈনৈ হায়না ফোঙদোক্লরিবনি। হৌজিক অমুক কোভিদ-১৯ লায়েংবদা কা হেনবা চাংদা জিঙ্ক শীজিন্নবগা ম্যুকোরমাইকোসিস পাক শন্না নারকপা অসিগা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়না এক্সপার্টশিংনা মিপাইবা পোকপা মরম্না মসিগী মতাংদা থিজিলহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিয়সন (আই এম এ)গী হান্নগী প্রসিদেন্ট ডা. রজিভ জয়াদেবননা মহাক্কী ত্বিট্টরগী পোষ্টতা কোরোনাভাইরস লায়েংবদা কা হেনবা চাংদা ষ্টিম (ষ্টিম ইনহেল্লেসন) শীজিন্নখিবা, জিঙ্ক সপ্লিমেন্ট চাখিবা অমদি এন্টিবাইওটিক মখল কয়া পুন্না শীজিন্নখিবশিং অদুনা ব্লেক ফঙ্গেল ইনফেক্সন পাক শন্না নাহল্লকপদা লৌরিবা থৌদাংগী মতাংদা থিজিনহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখিব। মহাক্লা ইন্দোরদা লৈবা মহাত্মা গান্ধী মেমোরিয়ল গভর্ণমেন্ট মেদিকেল কোলেজগী ঐচ ও দি ডা. ভী পি পান্দেনা চথখিবা ষ্টদি অমবু পল্লদুনা মথক্তা পনখ্রিবা ফেক্টর অহুম অসিনা ফঙ্গেল গ্রোথতা করম্না কন্ত্রিব্যুট তৌবা ঙম্বগে হায়বদু তাকখি। ষ্টদি অদু হোস্পিটাল ৪গী সার্স-কোভ-২ পোজিটিভ ওইরবা পেসেন্ট ২১০দা চথখিবনি।

মহাক্কী ত্বিট অদুদা, এজিথ্রোমাইসিন, দোক্সিসাইক্লিন অমদি কার্বাপেনেম হায়রিবা এন্টিবাইওটিকশিং অসি পুন্না শীজিন্নবনা ফঙ্গেল ইনফেক্সনগী রিস্ক হেনগৎহল্লি হায়বা ৱাফমসু পল্লি।

'জিঙ্ক মরাঙ কায়বা ইনভাইরনমেন্ট অমদা ফঞ্জাইনা শাহৌ ফনা হিংবা ঙমই, অমসুং মমেলিয়ন সেলশিংনা ইনফেক্সন তৌরক্তনবগীদমক জিঙ্কপু ফঙ্গসতগী লাপ্পা লৈহনবা হোৎনৈ' হায়না মহাক্লা ত্বিট তৌরি।

ষ্টিম কা-হেন্না শীজিন্নবনা অথোৎপা ম্যুকস লেয়রবু মাঙ তাকহনবা ঙমই অমদি ম্যুকোসাদা বর্ন তৌহনবফাওবা য়াই, মদুনা মরম ওইরগা হকচাংগী নেচরেল দিফেন্সপু ফঙ্গসনা নমখায়বদা লায়না থোকহল্লি। হৌখিবা মতমদা ইন্দিয়াদা থেংনখিবা ম্যুকোরমাইকোসিস কেসশিংগী ১০-২০%দি বর্ননা থোকহনখি হায়নসু জয়াদেবননা মখা তারি।

জয়াদেবননা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টদি অদুদা এনালাইজ তৌখিবা পেসেন্টশিংগী চাদা ২১খক্তমক দাইবেটিক ওইখি অদুগা ওক্সিজেন শীজিন্নবা পেসেন্টশিংগী মশিংনা চাদা ৫২ রোমতমক ওইখি।

পনবা য়াবদদি, লৈবাক অসিগী অপুনবা কোভিদ কেসশিংগী চাদা ৮০রোমদি পেসেন্টশিংগী টেম্পরেচর কন্ট্রোল তৌনবগীদমক পেরাসিতামোল প্রিস্ক্রাইব তৌই, অদুগা সপ্লিমেন্ট অমসুং এন্টিবাইওটিকশিং য়াওনা অতোপ্পা হীদাকমখল মঙাদগী তরেৎফাওবা প্রিস্ক্রাইব তৌরি। মসিগা লোয়নননা নোংমদা ষ্টিম অনীরক্তীনা অহুল্লকফাওবা তৌনবা মীয়ামদা এদভাইস তৌরিবনি।

কোভিদ-১৯ লায়েংনবা অকক্লবা হীদাক অমত্তা লৈত্রি। ভাইরেল গ্রোথ ক্যুর তৌনবা পেসেন্টশিংবু এন্টিবাইওটিক মখল খরা পুন্না প্রিস্ক্রাইব তৌরি।

ইম্যুন ফগাৎহন্নবা অমদি অনাবদগী থুনা ফগাৎলক্লবা জিঙ্ক সপ্লিমেন্টশিং রেক্কমেন্দ তৌনৈ। ইম্যুন সিষ্টেম মপাঙ্গল কনখৎহনবা য়াওনা হকচাংগী তোঙান তোঙানবা ফঙ্কসনশিংবু সপোর্ট তৌবা এঞ্জাইম ৩০০ হেন্না এক্টিভেট তৌবদা জিঙ্কনা মতেং পাংই। মমাঙদা চথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টশিংনা সজেষ্ট তৌই মদুদি জিঙ্ক অসি ফঙ্গস(মরুওইনা ম্যুকোরমাইকোসিস)কী গ্রোথ ফেক্টর অমা ওইনা থবক তৌবা ঙম্মী। জিঙ্ক লৌথোকপনা ফঙ্গসনা হিংদুনা লৈবদা ৱানা থোকহল্লি হায়নসু ষ্টদিশিংনা সজেষ্ট তৌই।

ষ্টিমিং তৌবনা অপ্পর রেস্পিরেটরি ট্রেকতা লোক থুংবা নৎত্রগা কনজেসন (ফুনবা) ফহল্লি হায়না লৌনবা মরম্না থৌওং অসি কোভিদ লাম্থেংননবা পোপুলর ওইবা টেক্নিক অমা ওইনা লৌনরক্লি। অদুবু এক্সপার্টশিংনদি থৌওং অসিনা ন্যুমোনিয়া নৎত্রগা লংসকী অনাবা অমত্তদা মতেং পাংদে হায়না থাজরি।

অতোপ্পা থিওরি অমগী মতুংইন্না ইন্দষ্ট্রিয়ল ওক্সিজেন সিলিন্দর শীজিন্নবা হায়বসিসু ফঙ্গেল কেসশিং মশিং য়ামখৎলক্লিবা অসিগা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়রি। লৈবাক অসিদা ওক্সিজেন সপ্লাইগী দিমান্দ হেনগৎলকপগা লোয়নননা য়াল্লবা ইন্দষ্ট্রিয়ল ওক্সিজেনশিংবু মেদিকেল পরপজশিংগীদমক দাইভর্ট তৌরে। মফম কয়াদা ইন্দষ্ট্রিয়ল সিলিন্দরশিংসু মেদিকেল ওক্সিজেন সিলিন্দরগী মহুত্তা শীজিন্নরে। ইন্দষ্ট্রিশিংদা শীজিন্নরিবা ওক্সিজেন অসি মেদিকেল ওক্সিজেনদগী শেংবা হেল্লগসু ইন্দষ্ট্রিয়ল সিলিন্দরশিং অসিদি মেদিকেল ওক্সিজেন সিলিন্দরগুম্না অফবা ওইদে। ইন্দষ্ট্রিয়ল সিলিন্দরশিং অসি য়াম্না অকুপ্পা অয়ুবা (মাইক্রো লিক) কয়া অমসু লৈবগা লোয়নননা মখোয় অসি হাইজিনিক ওইবা মওংদা মেন্টেন তৌদে। মনুংদা কন্তামিনেট তৌরবা ঈশিং অমসুং অমোৎপা য়াওরবা ইন্দষ্ট্রিয়ল সিলিন্দরশিংনা ফঙ্গেল গ্রোথ ওইহল্লকপসু ঙম্মী হায়রি। অদুবু হায়রিবা হীরম অসিদা অরেপ্পা ৱারোইশিন অমা পুরক্তিঙৈ মমাঙদা রিসার্চ কয়া অমা তৌবদি মথৌ তারি হায়রি।

হরাও তয়াম ফোঙদোকপগী মহুৎতা অৱা-অনা তারবশিংদা মতেং পাংবনি : এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবা

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচএনএস):

বি জে পি লৈঙাক্লা চহী ৭ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা নেসনল প্রোগ্রাম ওইনা পাঙথোকপা সেবা হি সংঘথনগী অনীশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা রাজ্য সভাগী এম পি নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নিঙোম্বম জুনিয়র হায় স্কুলদা লাইনিংথৌ সং-সং নিংথৌ সেবা কম্মিটিনা হাংলিবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টরদা শেল য়াওনা মাস্ক, সেনিটাইজর, হেন্দ গ্লোভ অমদি হিদাক লাংথকনচিংবা তেংবাঙখ্রে।

তেংবাঙ পোৎলমশিং অদু খুৎশিন্নখিবগা মরী লৈননা রাজ্য সভাগী এম পি ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়খি, লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পামজবদু বি জে পি লৈঙাক্লা চহী ৭ মপুং ফারকপগী হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকপদু নত্তে। মদুগী মহুৎতা অৱা-অনা তারবা মীয়ামদা মতেং পাংবা অমদি মীয়ামগী অৱাবদা অঙম্বা থাক্তা শরুক য়াদুনা সোলিদরিটি উৎপনি। মরম অসিনা ষ্টেট অসিদসু হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকপগী মহুৎতা অৱা-অনা তারবশিংদা মতেং পাংবনি।

তমথীরবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী অনীশুবা ৱেভ অসিদগী ঙাকথোকসি হায়রবদি মতম চানা টেষ্ট তৌথোক্তুনা লায়না লাইচৎ অসিগী অনাবা লৈৱা হায়বা খঙদোকপা, মতম চানা লায়েংহৌবা অমদি ভেক্সিনেসন কাপহৌবা অসিনি। করিগুম্বা চিংনরবদি ঙন্না টেষ্ট তৌথোক্তুনা মতাং মতম চানা হিদাক লাংথক চাহৌরবদি লায়না লাইচৎ অসিদগী কনবা ঙমগনি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননসু অহিং-নুংথিল খাক্তনা, তুম্বা-চাবা খঙদনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগীদমক হোৎনরি। য়ুম-য়ুমদা হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিবা অনাবশিংগীদমক্তা ডোক্তর, নর্স কয়া থাবগী মথক্তা হিদাক লাংথকসু পীরি। লৈঙাক্লা হোৎনরিবশিং অসি লেম্না মাঙহনগুমসি। লৈঙাক্লা মীয়ামগা থোং মান্ননা চৎমিন্নরবদতা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, হেন্দ সেনিটাইজর, ফেস মাস্ক, ওক্সিমিটর অমদি হিদাক লাংথকনচিংবা তেংবাঙ পোৎলম কয়াসু থৌবাল বি জে পি মন্দল, শামুরৌগী দ ইনর্জেটিক য়ুথ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, কোংবা নোংথোম্বম লৈকায়দা লৈবা কোংবা য়ুথ ওর্গনাইজেসন, ঘড়ী য়ুথ ক্লব অমদি য়ুম্নাম পাৎলৌগী মোর্নিং ষ্টার ক্লবকী কোভিদ টাস্ক ফোর্সতসু এম পি নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা য়েম্থোকখি।

এম এল এ লোকেননা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচএনএস):

মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপা অসিদা নম্বোল এ সীগী ওইনসু মীওই ২০০ হেন্না কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা য়াওদুনা অচৌবা অৱাবা অমা মায়োক্লরিবা অসিদা এ সী অসিগী এম এল এ, এন লোকেননা এ সী অদুগী ওইনা এস কুলা ৱিমেন্স কোলেজ নম্বোলদা হাংলিবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর, সী ঐচ সী নম্বোল অমদি পি ঐচ সী লৈমপোকপমদা কোয়না চৎতুনা অৱাৎ-অপা কয়া য়েংশিন্দুনা হায়রিবা মফমশিং অদুদা মথৌ তাবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখ্রে।

নম্বোলগী এস কুলা ৱিমেন্স কোলেজদা হাংলিবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টরগী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা পেসেন্টশিং উনদুনা অৱাৎ-অপাশিং য়েংশিনখি। লোয়নননা ভলন্টিয়র অমদি ডোক্তর, নর্সশিংনা শীজিন্নবা পি পি ঈ কিটস, হেন্দ সেনিটাইজর, ফেস মাস্ক, হোর্লিক্স, শঙ্গোম টি-স্পেসল, চা মনানচিংবা সেন্টরশিং অদুবু য়েংশিল্লিবা ভলন্টিয়রশিংদা খুৎশিন্নখি।

পোৎলমশিং অদু খুৎশিন্নরবা তুংদা এম এল এ, এন লোকেননা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা চাউখৎ থৌরাং তৌবগী মহুৎতা মীওইবগী পুন্সি কনবনা হেন্না মরুওই হায়রদুনা এ সী অমদি দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা হাংলিবা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা অৱাৎ-অপা লৈতনা লৈঙাক্লা অহেনবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই। সী এমনা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী হৌরগা দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা কোভিদ টেষ্ট তৌনবা হোৎনরিবা অসিদা অনাবশিংনা লৈনবা মফম লৈরক্লোই। মরম অদুনা অথুবদা লৈফম অমদি মচাক মথুমশিং মরাং কায়না ৱাৎতনবা হোৎনবীয়ু হায়নসু লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিনখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খিবদা, দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টতা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ থেংননবা ইক্বিপমেন্ট মপুং ফানা থম্বা মথৌ তাই। লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা মীয়াম্না টেষ্ট মপুং ফানা তৌরগা ঙাকথোক্লবা হোৎনমিন্নসি। ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নদুনা কোভিদ-১৯ লাম্থেংমিন্নসি। এস কে ৱিমেন্স কোলেজদা হাংলিবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর অসি পোলিটিক্সতা বেজ তৌরগা হংবা নত্তে। মীয়ামগী পুন্সি হান্না কল্লগা চাউখৎ থৌরাংগী পোলিটিক্স তৌসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

জে এন জি ভি ওনা ককচিংগী মফম কয়াদা সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইট কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচএনএস):

মালেমগী ওইনা মীপায়নিংঙাই ওইনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসিগী চৈথেং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। থেংনরিবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসিদগী খরমখৈ ঙাকথোক্লবা পান্দমদা জোইন্ট নন গভর্ণমেন্ট ভলন্টরি ওর্গনাইজেসন (জে এন জি ভি ও) ককচিংনা ককচিংগী মফম কয়ানা সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইট কাপথোকখ্রে।

য়েংখোম সুরচন্দ্র, হান্না ককচিং এসেম্বলী কনষ্টিট্যুএন্সিগী এম এল এ ওইরম্বনা সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইট বেরেল অমা অমসুং শেলগী তেংবাঙ পীবীরক্তুনা ঙসি ককচিংগী লৈকায় লৈকায়দা সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইট অসি কাপথোকপনি হায়না জে এন জি ভি ওগী ভাইস প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ সটাদারিনা ফোঙদোকখি।

সটাদারিনা মখা তানা হায়খি, জে এন জি ভি ওনা কোভিদ-১৯গী অহানবা ৱেভতসু লমদম অসিগী মীয়ামদা অঙম্বা মতেং পাংদুনা লাকখি। মতম অদুদা দি সী, ককচিংনা জে এন জি ভি ওবু মাদর এন জি ও অমা ওইনা হাপ্পীদুনা জে এন জি ভি ওগী থৌমীশিংনা থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা চীং-তম অনীমক্তা মীয়ামগী মতেং পাংদুনা লাকখি। লোকদাউনগী মতম অদুদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টতা খুল্লোন্নরিবা খুল কয়াদা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং খুদোল তম্লুবা, অৱা-অনা তারবা মতমদা চীংমী-তম্মী ইচিল-ইনাওনি, ঐখোয় অমত্তনি হায়বদুসু শেংনা উৎখি। মখা তারকপদসু জে এন জি ভি ওনা মীয়ামগীদমক লেপ্তুনা কোভিদ-১৯ থেংনবদা পাঙথোকপা য়াবা থবকশিং পাঙথোকখিগনি। মীয়াম্নসু মতেং পাংবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী জোইন্ট নন গভর্ণমেন্ট ভলন্টরি ওর্গনাইজেসননা চথখিবা সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইট কাপথোকপা অদুদা ককচিংগী মীয়াম্না মতম চানা টেষ্ট তৌথোকপীয়ু অমসুং হিদাক মতম চানা কাপথোকপীদুনা কোভিদ-১৯ পাক শন্না শন্দারকপদগী ঙাকথোক্তুনা কোভিদ-১৯ লৈতবা লমদম অমা পুরক্লুবা মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়বগী পাউজেলসু পীখি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস) :

নেসনল হেল্থ মিসন, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী কন্ট্রেক্ট্যুএল ইমপ্লোয়ী অমা ওইনা কুমজা ২০০৬তগী মণিপুরগী মফম কয়াদা হকশেলগী লমদা মীয়ামগী মতেং পাংদুনা লাক্লবা অমদি হৌজিক হৌজিক ওল মণিপুর আয়ুশ ডোক্তরস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টকী থৌসু পুরম্বা ডা. থাংজম ঘনশ্যামনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ওল মণিপুর আয়ুশ ডোক্তরস এসোসিএসনগী মায়কৈদগী থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকচরি হায়না ওল মণিপুর আয়ুশ ডোক্তরস এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কোভিদ-১৯গী অহানবা ৱেভ অমসুং অনীশুবা ৱেভ লাম্থেংনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা ডোক্তর অসিনা লৈখিদবা অসি ইরমদম অসিগী অচৌবা অৱাৎপা অমা লৈহৌরগনি। মণিপুর লৈঙাক্লসু কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা লৈখিদ্রবা ফ্রন্টলাইন ৱারিয়র ডা. থাংজম ঘনশ্যামগী ইমুং-মনুংদা পীবা য়াবা মতেংশিংসু পাংবীনবা মণিপুর লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিঞ্জরি। লোয়নননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

লায়রবা ইমুং খুদিংগী মশাগী একাউন্টদা লুপা লিশিং ৩০/৩০ হাপ্লিরবদি অচৌবা মতেং ওইগনি

হৌজিক মণিপুরদা ওইরিবা ফীভম অসিদা কোরোনাবু কিবদগী কর্ফিয়ু /থল্লি। গভর্ণমেন্টনা লৈত-লায়রবা মীয়াম্না শুফম-নোমফম লৈতবদগী খমথেংনা ৱানরিবা অসি উবিরদুনা করিগুম্বা খরা শেল-থুমগী মতেং ওইরবসু পাংহন্নিংই। লুরিবা অমনা চান-থক্লবা য়োনবা দুকানশিংসু হাংদবনা পোৎচৈ লৈফম লৈতবদগী হায়নিংঙাই লৈতনা ৱারে। কোভিদপু লাম্থেংনগদ্রা চানবগী লানফমবু মায়োক্লগদ্রা? লৈত-লায়রবা মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অসি খরদং ওইরবসু কোকপা ঙম্নবা খম থেংনা ৱারবা ইমুং খুদিংদা লুপা লিশিং ৩০/৩০ মশা-মশাগী একাউন্টদা হাপ্লিরবদি অচৌবা মতেং অমা ওইগনি খল্লি। অৱাবগী তাল্লক অসিদা চেং য়েনবগী ৱাথোকসু লাক্লি। চেং য়েনবদা কেজি মশিং শুনা পীদে হায়না খৎন-চৈনবগী থৌদোক কয়াসু থোক্লকপা উরে। মরম অদুনা অসিগুম্বা থৌদোক অসি অৱাবা মতম অসিদা থোক্তনবা মরি লৈনবা ওঠোরিটিগী মীওইশিংগা লোয়নননা লৈবাক মীয়ামগা ৱাখল তামিন্নদুনা থবক তৌমিন্নবা চুমগনি। লো শেল্লিবা মীওই খরখক্লা মীওই লাখ কয়াগী প্রোব্লেম সোল্ভ তৌবা ঙম্লোই। অমনা অমগী ৱা তান্নদুনা অচুম-অরান, অফ-ফত্ত খঙমিন্নদুনা পুন্না চৎম্নিবা মথৌ তাই।

❒ য়ূম্নাম অমুসনা, লাংমৈদোং

পোজিটিভ ওইবা অমদি শিবগী চাংসু হেনগৎলক্লি লৈকায়-লৈকায়দা মী পুনবগী থবকসু লেপ্পদ্রি

মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা মশিং খঙদনা কোভিদ লাইচৎনা নারে। লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা লমদম অসিদা নোংম-নোংমগী পোজিটিভ ওইবগী চাং অমদি শিবগী চাং হেনগৎলক্লি। মণিপুরদা নত্তনা ইন্দিয়াগীসু য়াম্না শাথিরি। অসিগুম্বা য়াম্না শাথিরবা অমদি লৈবাক মীয়াম খম থেংনা ৱানরবা মতম অসিদা ইশা-ইশানা ৱাখল তাদ্রবদি লায়না অসি ঙাকথোকপা য়াম্না ৱাগনি। কর্ফিয়ু অমদি কন্টেমেন্ট জোন লাউথোক্তুনা থল্লবসু লৈকায়-লৈকায়দা লম্বীদা, লম্পাক্তা মী পুন্না-পুন্না থোক্তুনা লৈরি, মসি তৌবিগনু অমদি অহল ওইরবশিংনা পুনশিন্দুনা কার্দ শান্নদুনা সোসল দিষ্টেন্সিং থুগায়বগী থবক অসিসু তৌবিগনু। ঐখোয় খুদিংমক্লা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ অসিবু য়াম লায়না ঙাকথোকপা ঙমগনি। তোয়না খুৎশা হান্বা, অশাবা ঈশিং নোংমদা ৪/৫রক থকপা অমদি ষ্টিমিং তোয়না তৌবগা লোয়নননা মাস্ক নিয়ম চুম্না উপ্পিদুনা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকপীরবদি লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকপা শোয়দনা ঙমগনি। লোয়নননা লমদম অসিগী মীপুম খুদিংমক্লা লাইচৎ অসি অতোপ্পা মীওইশিংদা শন্দোক্তনবা ইশা-ইশামক কোভিদ পোজিটিভ ওইরবা মীওই অমগুম্না চেকশিন থৌরাং লৌবা মথৌ তারে।

❒ নিংথৌজম রোনালদো, হৈরোক পার্ট-২

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩১।০৫।২০২১ ইং, নিংথৌকাবা;
কালেনগী ২১নি পানবা।

মেষ: ৱাখল থাদবা অমদি অচুম্বা চৎচবনা মায় পাকচৌ হায়বা নুমিৎনি। ওইদবনা মাংওইনগে খনগনু অমদি শকখংদবনা ঙাংশকপা থাজগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ: য়েক্লবা লৈরম্বা মাংখিনি, হকচাং নুংঙাইবা হেনগনি অমদি মীয়ামগা মরি ফগনি। মরুপ লোইনরদি কোক শাগনি অমদি হেন্না অশা চাওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- অনম তান্নাগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন: য়েক্লবনা পাঙ্গল্লি অমদি ৱাফংনবনা চোপকঞ্জনি-ৱা য়াম্না ঙাংগনু অমদি ফিংগনু। নাইতোম থৌ পাংগনু, য়ারগদি অনৌবা থবক পাংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- তাঞ্জা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

কর্কট: ঙসিসু নিংজবা ফংগনি, ৱাখল থোকপনা অনৌবা থৌরম লাইনা পাংবা ঙমগনি অমদি মীংচৎ লৈগনি। অঙম্বনা য়েংশিনবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

সিংহ: মহু চাওবনা য়েংথিবা লৈ। শাজৎ হৈয়ু অমদি অরোন অথুপ হাইদোক্লনু। হকচাংদি নুংঙাইগনি, মীনা লাকচবসু ঙমলোই অমদি নিংজবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কন্যা: শকচু থোকপা ৱাৎলি-নাপল তৌগনু অমদি খুৎ চাওগনু। নক্লবশিংগী মতেং লৌবা অমদি থৌনা ফুদোক্লা থৌ পাংবদি অকাইবা লৈরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- মতাং চাদে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

তুলা: য়েৎনবা য়াদবা অমদি পোরম শিন্দোকপা হৈবা ৱাৎপা নুমিৎনি। অখং অহৈগী ৱা লৌবা ফৈ। ইমুং মনুংগী ৱা তাবা অমদি কিদবনসু কান্নবা পি।
লৈশা পাখংশিংগী- চরাংগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/অশংবা।

বৃশ্চিক: ঙসিসু মায় পাক্কনি, লাই গুরুনা চানবীগনি অমদি মরুপম মপাংগী মতেং লৌবা য়াগনি। অদুবু মীৱা লৌবনা/পংবদগী খৎনবা য়াবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

ধনু: লাই গুরুনদি চানবীবা অমদি খুদক্কী ৱারেপ লৌবসু য়াবা নুমিৎনি। অদুবু নিংবা মপাদি চারোই অমদি ফংবা য়াবা শেল/মীগী মতেং পনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নশাগীতা খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেং।

মকর: হরাওবা অমদি ওইজ-ওইথক ফংজবা শোইদনা লৈগনি। য়েক্লবা লাকশিনগনি, লাইগুরুনা চানবীগনি অমদি ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইজে।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং পেঞ্জগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কুম্বা: লৌশিং ফুদোকপা ঙমলোই অমদি খুরৌথাংবা লৈগনি। অদুবু খাংবা অমদি থিহুম্বা কল্লবা অমদি ৱাঙাং হৈরবা মাইথিবা য়াবদৈ কনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম খজিক খাংখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/ অশংবা।

মিন: মায় পাকপা, ওইজ-ওইথক ফংবা অমদি লন ফংবৈ নুংঙাইজবা নুমিৎনি। হকচাংদি নুংঙাইবা ৱাৎকনি-অদুনা থৌয়াম পুগনু। মীনদি চাল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/ফৌ।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।